# লোর্ড বেদেন পাউৱেল অমসুং স্কাউটকী ঈহৌ



এল তোনদোন সিংহ
ষ্টেট সেক্রেটরি, এম এস এস য়ু, শিংজমৈ

*মালেমদা* স্কাউটকী ঈহৌ হৌদোক্লম্বা নুপা অদুগী মমিং Lord Robert Stephenson Smyth Baden Powell কৌই। মহাক কুমজা ১৮৫৭ কী ফেব্রুৱারী ২২ দা 6 Stanhope Street, London দা পোকই। মহাক্কী মপাগী মমিংনা Rev. Professor Baden Powell কৌই। মহাক্কী মচিন মনাও ১০ লৈ। মহাক্না মহাক্কী মপাগী ৮ শুবা মচানি অমসুং মহাক্না ৬ শুবা মচানুপানি। Baden Powell না মশাগী চহী ৩ লোম শুবদা মহাক্কী মপা শিখি। মহাক্কী মমানা মাবু চাউনবা য়োকখৎপীরকই। কুমজা ১৮৭০ দা মহাক্কী মশাগী চহী ২২ শুবদা Chaterhose তা লাইরিক তম্ননবা চৎলি। Baden Powell অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মশা-মউ ফবা, শান্ন-খোৎনবদা মমিং চৎপা নুপামচা অমা ওইরকই। মহাক ফুটবোল, ঙা ফাবা, ঈশৈ শকপা, লাই য়েকপা, দ্রামা, শা-তানবা, শা-উচেকশিংগী মরমদা নৈনবা Sketching Maps, থৌনা ফবগী থবকশিংদা শরুক য়ারকই। Baden Powell কুমজা ১৮৭৬ তা গ্রেজুয়েট লোইদুনা বৃটিশ আর্মিগী 13th Hussar Regt. দা Sub-Lt. গী রেঙ্কতা কম্মিসন ওফিসার অমা ওইনা চঙখি। মতম খরগী মতুংদা ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী লক্ষনৌদা লাকখি। কুমজা ১৮৮৭ তা Baden Powell না স্কাউটকী লাইরিক "Aid to Scouting" ইবা হৌখি। বি পি আর্মি ওফিসার অমা ওইনা ঐখোয়গী ইন্দিয়া আফগানিষ্টান অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী জুলু লেন্দদা জুলু লালহৌবশিংবু নমথনবা বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা থারমই। মফম অদুদা মহাক আর্মি মেজর ওইনা থবক তৌই। জুলুগী লালদা Baden Powell না মথৌনা অমসুং হৈশিংবগা লোয়ননা জুলুশিংগী লালহৌবা মকোক দেনি জুলুবু য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ফারমই। Baden Powell না দেনি জুলুগী মথৌনা অমসুং হৈশিংবা অদু উবদা থাগৎখি। মতাং অসিদা দেনি জুলুগী মখূৎ য়েৎকা Baden Powell গী মখূৎ ওইগা খূৎ শোক্লখি। দেনি জুলুনা হংখি করিগীনো ঐগী খূৎ য়েৎকা নহাক্কী নখূৎ ওইগা খূৎ শোক্লরিবা? Baden Powell না খুমখি, য়াম্না থাজনবা, নুংশিনবা, নকশিন্নবা অমসুং মরুপ-মপাং (Heartly) দা তৌবনি হায়খি। Baden Powell না জুলু লালহৌবশিংবু মপূং ফানা নমথবা ঙমখি। কুমজা ১৮৯৭ দা মহাক্না 3rd Dragoon Guards Regt. কী কম্মান্দিং ওফিসার ওইখি। মতম অদুদা 'Aid to Scouting' হায়বা স্কাউটকী লাইরিক ইবা লোইখি। কুমজা ১৮৯৯ দা Baden Powell না ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী জবলপুরদা অনীরকশুবা ওইনা লাকখি অমসুং মফম অদুগী লমিৎ-তুমিৎ কয়া য়েংখি।

কুমজা ১৮৯৯ দা সাউথ অফ্রিকাগী Boar War দা Baden Powell না Mafeking সহরবু নুপামচাশিংগী মতেংদগী কনবা ঙমখি। লাল অদুদা মীওইবগী অশোক-অপনশিং, চান-থক্লবা, য়ূমশিং মৈনা চাকপা অমসুং খুদোংথিবা কয়াদগী নুপামচাশিংনা কনখি। নুপামচাশিংবু লালদা মখোয়গী লালগী ঈপাউ পুথোক পুশিনগী থবক্তা শীজিন্নরমই অমসুং মখোয়গী মতেং য়াম্না ফংখি। লাল লোইরবা মতুংদা Baden Powell Colonel গী রেঙ্ক ফংখি। কুমজা ১৯০০ দা Aids to Scouting কৌবা লাইরিক লন্দন্দা ফোঙখি। Baden Powell মতম খরগী মতুংদা মেজর জেনরেলগী রেঙ্ক ফংখি। কুমজা ১৯০১ দা বি পিনা বৃটিশ আর্মিগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ কেভলরি ওইখি। কুমজা ১৯০৩ দা Baden Powell না মহাক্কী ময়ূম লন্দন্দা হনখি। লন্দন্দা মহাক্না নুপামচাশিংবু খোমজিন্দুনা স্কাউট ওইননবগী ৱারী কয়া লীবা হৌখি। মতম খরগী মতুংদা বি পিনা লেফটিনেন্ট জেনরেলগী রেঙ্ক ফংখি। কুমজা ১৯০৭ কী জুলাই ২৯ দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা স্কাউটকী অহানবা চাংয়েং কেম্প ওইনা নুপামচা ২০ গা লোয়ননা Brownsea Island দা কেম্প পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মফমশিংদা স্কাউটিং মুভমেন্ট অসি শন্দোকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯০৮ দা স্কাউটিং ফোর বোইজ কৌবা লাইরিক ফোঙখি অমসুং মীয়ামদা পাহনখি। স্কাউট মুভমেন্ট অসি লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা শন্দোরকখি। Baden Powell গী মচননুপী Agenes Baden Powell না Scouting Movement দা মতেং পাঙখি। মতম খরগী মতুং কুমজা ১৯১০ দা Agenes Baden Powell না গর্লস গাইদ মুভমেন্ট হৌদোকখি। কুমজা ১৯১২ দা Baden Powell না Mrs. Olave Soames লুহোংদুনা লৌখি। Olave Soames সু Scouting Movement দা মতেং পাঙখি অমসুং গর্লস গাইদ মুভমেন্টপু মপূং ফানবা শেমগৎপদা শরুক য়াখি। কুমজা ১৯১৬ দা Baden Powell না Wolf Cub Handbook কৌবা লাইরিক ফোঙখি। কুমজা ১৯১৮ দা Rover Scout হৌরকই। কুমজা ১৯১৯ দা ইংলেন্দগী Gilwell Park অসি মালেমগী স্কাউট ট্রেনিং সেন্তর ওইননবা Mr. W.F. de Bois Macloren Baden Powell দা খুদোল তৌখি। মদুদগী হৌদুনা Gilwell Park মফম অসি International Scout Training Centre ওইখিবনি।

কুমজা ১৯২০ দা স্কাউটকী Camp "International Jamboree" Olympia দা পাঙথোকখি। Baden Powell মশামকপু 'চীফ স্কাউটস ওফ দ ৱর্ল্ড' হায়না Scouters শিংনা হরাউ নুংঙাইবগা লোয়ননা লাউথোকখি। কানাদা লৈবাক্তা মালেম পূমমক্কী ওইনা স্কাউট ওফিস অমা লিংখৎখি। কুমজা ১৯২১ দা Baden Powell মশামক চীফ স্কাউট ওইনা ঐখোয়গী ইন্দিয়াদা য়েংবা লাকখি অমসুং ইন্দিয়ন বোইজ স্কাউটস এসোসিএশনবু শক খঙবীখি।

কুমজা ১৯২২ দা স্কাউটকী লাইরিক Rovering to success ফোঙখি অমসুং Gilwell Park পু স্কাউটকী ইন্টরনেসনল ট্রেনিং সেন্তরনি হায়না লাউথোকখি। কুমজা ১৯২৪ গী Capenhagen দা চহী মখায়গী তৌখিবা অপূনবা স্কাউটকী মিটিংদা স্কাউটিং মুভমেন্ট অসি মালেমগী মুভমেন্টনি হায়না লাউথোকখি।

কুমজা ১৯২৫ দা হেন্দিকেপদ স্কাউট হৌদোকখি। কুমজা ১৯২৯ দা অহুমশুবা International Jamboree {Camp} England গী Arrowe Park তা পাঙথোকখি। লোয়ননা Scouting for Boys কৌবা লাইরিক ফোঙখি। ইংলেন্দগী নিংথৌ George-V না Baden Powell গী মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা নহারোলশিংবু শেমগৎপা অমসুং অফবা সিটিজন অমা ওইনবা শেমগৎপা অসি উরুবদা "Lord Baden Powell of Gilwell হায়বা উপাধি পীখি। কুমজা ১৯৩১ দা অহানবা মালেমগী ওইবা World Rover (Scout) Meet Switzerland গী Kandersteg দা ফমখি। কুমজা ১৯৩৭ তা Baden Powell না অহানবা All India Jamboree দিল্লিদা তৌখিবদা য়েংবা লাকখি। কুমজা ১৯৩৮ দা Baden Powell না অফ্রিকাগী Kenya দা লৈননবগীদমক্তা ইংলেন্দ থাদোক্তুনা চৎখি।

অৱাবনি, মালেমগী স্কাউটরস অমসুং নহারোলশিংবু থাদোক্তুনা Lord Baden Powell কুমজা ১৯৪১ গী জান্যুৱারী ৮ দা অফ্রিকাগী Kenya দা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে।

### মণিপুরদা স্কাউট হৌরকপা

মণিপুরদা বোই স্কাউটকী ঈহৌ অসি কুমজা ১৯২৫, মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহগী মতমদগী হৌরক্লে। মতম অদুদা মণিপুরদা বৃটিশকী মীওইশিং য়াম্না লৈরে। বৃটিশ মচাশিংনা ঐখোয়গী জোনষ্টোন হায় স্কুলদা অহানবা ওইনা স্কাউট লিংখৎখি। স্কাউটপু এদ্যুকেসনগী শরুক অমা ওইনা তম্লকখি।

অনীশুবা ওইনা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লিংখৎখি। হায়রিবা স্কুলশিং অদুদা তম্বা মহৈরোয়শিংদা স্কাউটকী ট্রেনিং পীরমই। মতম অদুদা বৃটিশশিংনা স্কাউট হায়বসি কম্পলসরি সবজেক্ট অমা ওইনা স্কুলদা তম্বীরমই। মতম অদুদা মণিপুরী মচাশিংগী অমসুং নিংথৌশিংগী মনুংদা পনবা য়াবদি মহারাজ চুড়াচান্দ অমসুং বোধচন্দ্র সিংহনি।

কুমজা ১৯২৫ দা শ্রী সচিমোহন সিংহ অমসুং থম্বালজাও সিংহসু য়াওনা মণিপুরদা বোই স্কাউট গ্রুপ অমা লিংখৎপা হৌরকখি। মথং মথং অমসু লৈবাক্কী কুম্হৈ হরাউ অমসুং থৌদোক ৱাথোক কয়াদা স্কাউটনা শরুক য়ারকখি।

কুমজা ১৯৩৩ দা অরাম্বম ইবোহল সিংহ, স্কাউট মাষ্টর সগোলবন্দদা লৈবনা মণিপুরগী নহারোলশিংদা স্কাউট ট্রেনিং জোনষ্টোন স্কুলদা মতম অদুদা তম্বীখি। স্কুলদা গেমস অমা ওইনা মহৈরোয়শিংদা দিসিপ্লিন লৈনবা তম্বীখি।

কুমজা ১৯৩৯ মালেমগী ২ শুবা লাঞ্জাওদা স্কাউটকী ঈহৌ অসি মচেৎ তারকখি, লাল মনুংদা স্কাউট খরা পুনশিন্দুনা অশোক অপনশিংদা (ফর্ষ্ট এইদ) মতেং পীরমই। অশিবশিংবু মফম চানা পুরগা পোৎলোইবি। ময়ূম-মকৈ লৈত্রবশিংবু লৈফম পীবিরমই। লাল মনুংদা অশোক অপনশিংদা চান-থক্লবা ফংদ্রবা মীওইশিংদা ঙন্বা মখৈ মতেং পীরমই। অৱাবা তারবা মীওইশিংদা অঙন্বা তেংবাঙ পীখি।

মালেমগী ২ শুবা লাঞ্জাও লোইরবা মতুং কুমজা ১৯৪৭ দা স্কাউটস ময়াম পুনশিন্দুনা শিংজমৈদা ইম্ফাল স্কাউট কৌবা অমা লিংখৎখি। শ্রী থৌনাওজম গোকুলচন্দ্রনা সেক্রেটরি ওইদুনা মথংদা শিংজমৈ স্কাউটস য়ুনিয়ন কৌবা ওর্গেনাইজেসন অমা শিংজমৈদা কুমজা ১৯৫৩ দা লিংখৎখি। হায়রিবা শিংজমৈ স্কাউট অসিগী অহানবা প্রসিদেন্টনা শ্রী টি ঐচ বিরহরি সিংহ, চীংঙামথক অমসুং সেক্রেটরিনা ৱাই কুঞ্জো সিংহ, শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবনা ওইখি। মতম অদুদগী হৌদুনা স্কাউটকী ঈহৌ অসি মণিপুরদা মপূং ফানা মীয়াম্না শকখঙনবা হৌরকখি।

কুমজা ১৯৬২ গী ওগষ্ট ২৫ দা Registrar of Co-operative Societies, Manipur Administration (Govt. of Manipur) না শকখঙবিখি লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট পীবিখি। কুমজা ১৯৬৩ গী জান্যুৱারী ১৬ তা ওল ইন্দিয়া বোই স্কাউট এসোসিএশন, ন্যু দিল্লিদা মসিগী এফিলিএসন তৌখি, মতম অদুদা শ্রী এল চাউবা সিংহ শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা লৈবনা মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়নগী ওর্গেনাইজিং কম্মিস্নার ওইনা ষ্টেট অসিদা স্কাউটস মুভমেন্ট শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। কুমজা ১৯৬৭ কী দিসেম্বর ৬ তা মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন হায়না নৌনা অমুক মিং থোন্দুনা মণিপুরদা স্কাউটকী ঈহৌ শন্দোকপা হৌরকখি অমসুং মীওইবগী য়াইফনবা হীরম কয়াদা থৌদাং লৌরক্লি।

কুমজা ১৯৬৮ অদুৱাইদা মণিপুরদা ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদস কৌবা স্কাউট ওর্গেনাইজেসন অমসু হাওবম মরক্তা লিংখৎপা হৌরকখি। কুমজা ১৯৭৫-৮৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর স্কাউটস এন্দ গাইদই এসেশইএশন, কংলৈ স্কাউটস, মণিপুর স্কাউটস, ইষ্টর্ন স্কাউটস অমসুং ওল মণিপুর স্কাউটস এন্দ গাইদস এসোসিএশন কৌবা স্কাউট য়ুনিয়ন কয়া ইম্ফালগী মফমশিংদা লিংখৎখি।

মতম খরগী মতুংদা স্কাউট য়ুনিয়ন খরা অমদি ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসতা পুনশিনখি অমসুং ভারতস স্কাউট এন্দ গাইদস, দিল্লিদা এফিলিএসন তৌখি। স্কাউটস য়ুনিয়নশিং অসিগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন শিংজমৈ অমসুং ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসনা মণিপুরদা মরুওইবা স্কাউট ওর্গেনাইজেসননি। হায়রিবা স্কাউট ওর্গেনাইজেসন অনী অসিগী স্কাউট ব্রাঞ্চশিংনা মণিপুরগী মফমশিংদা, দিষ্ট্রিক্টশিংদা লিংখৎপা হৌখি। স্কাউট ওর্গেনাইজেসনশিংগী লুচিং মখাদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংবু চহী খুদিংগী স্কাউটস এন্দ গাইদসকী ট্রেনিং অমসুং হীরম কয়াদা, স্কাউটকী সেলেবসকা মরী লৈননা ট্রেনিং পীরক্লি অমসুং মায় পাক্লি।

স্কাউটশিংনা মীচম মীয়ামদা লম্বী চৎপগী পরমশিং, মীওইবগী থৌগলদা কৎথোকপগী মখলশিং অমসুং লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী হীরমশিংদা অচৌবা থৌদাং য়ারি। ঙসিদি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মনুংদা স্কাউটকী ঈহৌ অসি খ্বাইদগী কনবা অমসুং মশীং য়াম্বা স্কাউটস ষ্টেট অমা ওইরে। কুমজা ১৯৪৭ তগী ১৯৯৬ ফাওবদা নহারোল নুপা নুপী লিশীং ৩০ রোমগী মথক্তা স্কাউটস এন্দ গাইদসকী ট্রেনিং পীখ্রে।

মণিপুরদা মরুওইবা স্কাউট ওর্গেনাইজেসন অনীনা হায়বদি মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন অমসুং ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদস লোয়ননা লোকল এসোসিএশন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চশিংনা কাঙলুপ ফুরুপ খায়দনা, লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা নহারোলশিংবু অফবা লমচৎ শাজৎ লৈনবা, মশা মউ ফনবা তম্বীরি অমসুং মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী মরমদা লৈবাক অসিদা অফবা সিটিজন পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি। মণিপুরগী নহারোলশিংবু স্কাউটস এন্দ গাইদসগী ট্রেনিং পীননবগীদমক্তা মখাগী স্কাউট ব্রাঞ্চশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা লিংখৎলি ঃ-

দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস ব্রাঞ্চশিংগী মমিংশিং ঃ- (১) ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন (২) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন (৩) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন (৪) চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন (৫) চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন (৬) উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন (৭) তমেংলো অমদি (৮) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ননি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ঃ- (১) সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন-কাঙপোকপী (২) নোর্থ ইষ্ট স্কাউটস য়ুনিয়ন-মাও সাজাওবনি।

মখাগী মীওইশিং অসিনা স্কাউটকী মরুওইবা ফমশিং পায়দুনা স্কাউট মুভমেন্ট ওফ মণিপুরদা মায় পাক্লবা থৌদাং য়াবিখিঃ

পেট্রোন-ইন-চীফ (মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন, শিংজমৈ)

(১) মিষ্টর বালেশ্বর প্রসাদ, চীফ কম্মিস্নার (১৯৬১-৬৩)
(২) এম কোইরেং সিংহ, চীফ মিনিষ্টর (১৯৬৩-৬৯)
(৩) এম দি অলিমুদ্দিন, চীফ মিনিষ্টর (১৯৭২-৭৪)
(৪) আর কে দোরেন্দ্রো সিংহ, চীফ মিনিষ্টর (১৯৭৪-৭৭)
(৫) আর কে জয়চন্দ্র সিংহ, চীফ মিনিষ্টর (১৯৮৮-৯০) (ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদস)

চীফ স্কাউট ফোর মণিপুর (এম এস এস য়ু)

(১) এস এম ঐচ বুরনে, গভর্ণর ওফ মণিপুর - (১৮৮১-৮৪)
(২) জেনরেল কে ভি কৃষ্ণ রাও (রিটয়ার্দ) - (১৯৮৪-৮৯)
(৩) মিষ্টর চিন্তামনি পানিগ্রহ - ১৯৮৯
(৪) লেফটিনেন্ট জেনরেল ভি কে নায়র (রিটয়ার্দ) - ১৯৯৫
(৫) ও এন শ্রীভাস্তভ - ১৯৯৬

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ভোটকা ইকনমিক ব্লোকেদকা মায়োক্নগদৌরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***ইন্দিয়া*** দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মীহুৎ খল্লগা লৈঙাক্লি। মীয়াম্না খনখ্রবা মীহুৎ অদুনা লৈঙাক্কী মরুওইবা থবক থৌরমশিং পুদুনা অফ-ফত্ত শেমগৎ শাগৎপগী থৌদাং লৌরি। ঐখোয়না চহী মঙাগী তৌগদবা পূন্নমক শিন্নরি অদুনা মখোয়না তৌগদবা থৌদাংসি অসুক্কী মতিক চাওখ্রে। হৌজিক খন্নবগী তাঞ্জা অদু ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরে। করম্বা পার্টিদা, করম্বা মীওইবু মীহুৎ ওইনবা খনগদগে হায়বগী মরমদা অখঙ অহৈশিংনা মেদিয়াগী খূৎথাংদা মাগী মাগী মত ফোঙদোক্লরক্লি অদুদসু নত্তনা আই এস টি ভি অমদি ইম্পেক্ট টি ভিগী খুথাংদা পার্টিগী ওইবা ৱাঙাঙলোইশিংনা অমনা অমবু হুন্নরি। মখোয় মখোয়গী পার্টিগী ওইবা তৌগদবা থৌরমশিং পাঙথোকখিবা অমসুং পাঙথোক্কদবা কয়া অমা ফোঙদোক্লদুনা মরাল শিনরি। মতাং অসিদা মেদিয়া অমসুং প্রিন্ট মেদিয়াগী কয়াদা চাওখ্রবা থৌদাংনো। মীহুৎ ওইগদৌরিবা লোয়ননা পার্টিগী ফিরেপ নিংথিনা খঙবা ঙমহল্লি। পার্টিগী তৌগদবা প্রোগ্রামগী মখাদা তৌগদবা মেনুফেষ্টো ফোঙদুনা মীয়ামদা খঙহল্লি, থবক ওইনদি তশেংনা পায়খৎখিবদি উদে।

থৌওং খুদিংমক্কী অফবা ফত্তবা পূন্নমক মেদিয়ানা মতম মতমগী অচৌবা থৌদাং লৌবিদুনা মীয়ামদা মীৎ-নাকোং ওইহল্লি। মেদিয়াগী মতেংনা ভোট কানবগী অচৌবা মতেং পীরি। মেদিয়ানা পীরি কেন্দিদেট খুদিংগী অহেন হেন্দা, অফ-ফত্ত য়েংনবা চাংদম্ননীংঙাই লৈতবা ফরংজাই, হৌনবা খঙদবা, শাজৎ চুমদবা, শেঞ্জা থুমজা তৌবা, মীনুংশি লৈতবা, মানা মানা তৌনীংবদা তৌবা, চীন্না ঙাঙখিবা, থবক্লা ওন্না তৈনবা, ঙাঙখিবা ৱাগা থবক্কা মান্নদবা খুদিং মেদিয়াগী পাউথাংদগী খঙবা ঙমই। কেন্দিদেটসু মীয়ামদা নমথাক তৌবা, মীয়াম্নসু কেন্দিদেটতা নমথাক তৌবা অসি চৎনরি। কেন্দিদেটশিংদগী ভোট পীগনি হায়দুনা পৈশা লৌবা অদুগা ভোটতি পীদবা, পীখিবা শেলফম হল্লো হায়না থৌবসু য়াদা ভোট কারবদি ফৈ, ভোটসু মায়থীরে, কনা অমত্তনা লৌখিবা শেনফম হন্দোক্লরক্লোই, ভোট শোয়দনা পীগনি হায়না লৌখিবনি, মসিনি খ্বাইদগী লুরিবদি। খুদম ওইনা অমখক্তং পঞ্জগে ঐনা ঐগী মরুপ অমগী মচা লুহোংবদা লুপা ১০০০ অমা পোৎয়েং পীখি, ঐগী ইচা লুহোংবদা লুপা ৩০০ খক্তং ওইনা হল্লকই অৱাৎপা পৈশা অদু থৌরগা লৌগদ্রা, থৌবসু চৎনদে। অদুবু অতোপ্পা মরুপ অমনা ঐনা লুপা ৫০০ পীখিবদা লুপা ১০০০ ওইনা পীরকই মদুগী অহেনবা শেনফম অদু কনানসু হন্দোক্লদে। মদোমদা খল্লগা চৎলবদি খুন্নাই অসিদা কনামক্তা তোৎন-তিন্নবা য়ারোই। কর্ম্মদা পোৎয়েং অমসুং পালাগী পৈশা লৈত্রবদি চৎনদে অদুগুম্না ভোটসু পৈশা পীদ্রবদি থাদবা চৎতবনা অয়াম্বনি।

হৌজিক মণিপুরদা খুন্দা লৈতারিবসি মখল মখাগী কাঙলুপ ঙাক্তনি। মাগী মাগী লাইনীংসু তোঙাল্লি অদুম ওইরবসু খুদিংমক মণিপুর মচা ঙাক্তা ওইরবনি। কাঙলুপ খরনা মণিপুর মচেৎ তানবা হোৎনরি, লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈরি, ৱারিবদি মীচম মীয়ামনি। মা মানা অপাম্বা অনিংবদা তৌবা আইন্না য়াদে হায়। হৌজিক য়ু এন সীনা মতম শাংনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌদুনা লৈরিবা অসিসু লৈঙাক্লা করিসু তৌবা ঙমদে। মখোয়শিং অসি তশেংনা নাগারা, কুকিরা, কবুইরা, পাইতেরা খঙবা ঙমদ্রি ঙসি ফাওবা। মণিপুর মচেৎ তানবা কাঙলুপলা অদুসু খঙদে, মখোয় খরা অসিনা তৌরিবা থৌদৌ অসি মণিপুর মচেৎ মচেৎ খাইদোক্লবরা খঙদে। ইকনমিক ব্লোকেদনা কোক্তা খূৎ হাপ্তুনা খাঙনবা মীওই কয়া অমা য়াওনরিবা অসিবু য়েংদুনা লৈরিবা অসিগী মরাল কনাগী ওইফম থোকপগে?

অমরোমদা অমুকসু মীহুৎ খন্নবগী তাঞ্জা অমসু মাঙদা তাদুনা লৈরি। লুরবা তাঞ্জা অসিদা অফবা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্কদবা মীওইদা ভোট পীদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনরসি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক*

### মরোল থোকপা লাই

